

লৌমীশিংদা অফবা মখলগী ফৌদিশিং ফংহন্ননবা সিদ টেষ্টিং লেবোরেটরি লিংননবা খন্নরগনি : ও লুখোই

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ও লুখোইনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা কুম্বীগী লৌমীশিংদা চাকহাও পোইরৈতোনগী ফৌদিশিং য়েন্থোকখ্রে।

ফৌদি য়েন্থোকখিবা অদুদা মিনিষ্টর ও লুখোইনা লৌমীশিংগসু হকথেংননা ৱারী-ৱাতাই শানখি অমদি লৌমীশিংগী মায়কৈদগী ফৌদি অমদি হার য়েন্থোকপগা মরী লৈননা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা থল্লকখিবা ৱাফমশিংসু লুম্না লৌখি।

মিনিষ্টর ও লুখোইনা হায়খি, ফিশরিজ দিপার্টমেন্টনা মতম পুম্বদা লৌমীশিংগী ইন্টরেষ্টতা থবক তৌরি। লৌমীশিংদা সবসিদাইজ রেটতা ফৌদিশিং, মরূ-মরাংশিং অমদি হারশিং অসি ফংহন্ননবা লৈঙাক্না এপ্রুভ তৌবা এজেন্সীশিংদগী এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টনা লৈরিবনি। লৌমীশিংদা অফবা মখলগী ফৌদিশিং ফংহন্ননবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগা তানদুনা এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা সিদ টেষ্টিং লেবোরেটরি লিংননবা খন্নরগনি। লৌমীশিংগী য়াইফননবা দিপার্টমেন্ট অসিনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিংসু পায়খৎলি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা থাঙ্গা এ সীগী এম এল এ, টি রোবিন্দ্রো, এগ্রিকলচর দিরেক্টর কে ঐচ লালমনি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসর সুমেন্দ্র অমসুং দিপার্টমেন্ট অসিগী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি। তুংদা মিনিষ্টর ও লুখোইনা কুম্বীগী অকোয়বা মফমশিংদা লৈরিবা লৌফমশিংদা হকথেংননা চৎতুনা লৌফমশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমশিংসু য়েংশিনখি।

ট্রী প্লান্টেসন দ্রাইভ

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): গো গ্রীন ইনিসিএটিভ প্রমোট তৌবা ওইনা আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টতা আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা ট্রী প্লান্টেসন দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে। দ্রাইভ অদুদা তেংনৌপলগী দি সী প্রবিন, এস পি বিক্রমজিৎ, দি এফ ও মহমুদা বেগম, সী এম ও ডা. কে ঐচ গোজেনসু শরুক য়াদুনা উ চারাশিং থাখি হায়না আই জি এ আর (সাউথ)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

উ থাবা অমদি তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌরগনি : লাইওন্স ক্লব

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটর ট্রী প্লান্টেসন প্রোগ্রাম পাঙথোক্তুনা অমদি স্পোর্টস এসোসিএসন ওফ ভিজ্যুএল্লি ইম্পয়র্দকী ইনমেটশিংদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকপা হৌরগনি। হায়রিবা প্রোগ্রামশিং অসিগা মরী লৈননা বোর্দ ওফ দিরেক্টরসকী অহানবা মীফম জুলাই ১৭তা পাঙথোক্লগনি হায়না ক্লব মার্কেটিং কম্যুনিকেসন ওফিসর লাইওন অশোক লাইরেননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা জুলাই ১০দা পাঙথোকখিবা ঝুম ভর্চ্যুএল মীটিং অমদা লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল গ্রেটর, লাইওন্স ক্লব ইন্টরনেসনল দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিগী অনৌবা ওফিস বিয়াররশিং ইন্সটোল তৌখ্রে। থৌরম অদুদা লাইওন ডা. রিমা শর্ম্মাহ বারুৱা, এম জে এফ, দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর, দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিনা চীফ গেষ্ট কম ইন্সটোলেসন ওফিসর ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা লাইওন অশোক কোঞ্জেংবম, লাইওন অরুন থোকচোম অমসুং লাইওন অরুন থোঙামনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট, সেক্রেটরি অমসুং ট্রেজরর ওইনা ইন্সটোল তৌখিবনি। ভর্চ্যুএল ওইনা পাঙথোকখিবা ইন্সটোলেসন সেরিমোনি অদুদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী অমদি ক্লবকী লিদরশিংসু শরুক য়াখি হায়রি।

ভেক্সিনেসন সেন্টরদা মতেং পাঙখ্রে, মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): ৱাংখেম এসেম্বলী কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চনবা চরাংপাৎ ময়াই লৈকায়দা লৈবা চরাংপাৎ হায় স্কুলদা ঙসি কোভিদ-১৯ টাস্ক ফোর্স চরাংপাৎ ময়াই লৈকায় অমদি পুখ্রি অচৌবা দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (পি দি সী) চরাংপাৎনা শীন্দুনা পাক শন্না ভেক্সিন কাপথোকখিবগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্লিবা মফমদা সোসল ৱার্কর কঙাবম জাদুমনিসু লাক্তুনা য়েংশিল্লখি অমদি ভেক্সিন কাপ্পদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা ডোক্তর, নর্স অমদি শীল্লি লাংলিবশিংদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং অমসুং শেলগী ওইবা মতেং পাঙখ্রে।

সোসল ৱার্কর কঙাবম জাদুমনি অমদি মহাক্কী লোয়নবী কঙাবম ওংবী জয়শ্রিনা হিদাক কাপথোকপা লাক্লিবা মীয়াম অদুবুসু পূক্লিং থৌগৎপগা লোয়ননা ঐখোয় পুন্না কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোকমিন্নসি হায়বা ৱাখল্লোনদা মীয়ামদা পাক শন্না ফেস মাস্কশিংসু য়েন্থোকখি।

কঙাবম জাদুমনিনা ফোঙদোরকপদা, এ সী অসিদসু নোংম-নোংমগী পোজিটিভ ওইবা মীগী মশীং য়ামখৎলকপনা মীপায়বা লৈনরম্বনি। অদুবু চৈরক অসিদা অসিগুম্বা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথুরকপা অসি অফবা খোঙথাং অমনি হায়রদুনা ঐখোয় মীপুম খূদিংমক ভেক্সিন কাপথোক্তুনা কোভিদ-১৯ অসিবু মায়থীবা পীমিন্নরসি হায়রদুনা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা অৱাবা ইমুংশিংদসু মখা তানা লেপ্তুনা মতেং পাঙজখিগনি হায়খি।

কঙাবম জাদুমনিনা ডোক্তর, নর্স অমদি মীয়ামগী অৱাবা উবীদুনা মতেং পাঙবীরম্বগীদমক ভেক্সিন কাপ্পা অদুদা শরুক য়ারিবা ডোক্তর, নর্স অমদি অচৌবা থৌদাং লৌদুনা শীল্লি-লাংলিবশিংবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

‘কোভিদ শন্দোকপগী মরম থিদোক্লগা এক্সন প্লান শেম্বীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী মফম খূদিংমক্তগা কোভিদকী কেস থেংনবগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপগী মরম থিদোক্লগা এক্সন প্লান শেম্বীয়ু, মসিগী হৌরকফম খঙদবনা মীওই পুম্নমক অৱাবা ঈপাক্তা লুপখিবা য়াই হায়না খুন্দ্রাকপম কেন্দ্র দিভেলপমেন্ট কম্মিটি (কে কে দি সী)গী জেনরেল সেক্রেটরি সোরোখাইবম য়াইস্কুলনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়খি, এসেমব্লী কন্সটিট্যুএন্সিশিংদা মাস টেষ্টিং তৌবা, মাস ভেক্সিনেসন কেম্প কয়া পাঙথোরকপা অসিমদি য়াম্ন মক মরুওইবা অমনি। লৈকায়, খুল কয়াদা লৈরিবা মীয়াম পুম্নমক্না লায়না-লাইচৎ অসিদগী কঞ্জহৌনবা শোয়দনা ভেক্সিনেসন তৌথোকপীয়ু। লায়না-লাইচৎ অসিনা অসুম্মক শাংথনা লৈরগদি লৈবাক্কী চাউখৎ-থৌরাংদা অমদি ইমুংগী শেন্মীৎলোনদা মনিংদা হনগদৌরিবনি। লায়না-লাইচৎ অসিসু থেংনরি। অদুবু ইমুং কয়াগী পুকচাক ওইরিবা লৌবুকশিং ঈশিং পীননবা মফমশিং খঙদোকপা লোইরে। ঙরাংসু কে কে দি সীগী থৌমীশিংনা দোলাইথাবী বরাজগী ফীভম য়েংশিনখ্রে। অদুবু অৱাৎপা কয়া লৈবনা পায়খৎফম থোকপা থবক কয়া লৈরি। হীরম অসিদা চীফ মিনিষ্টরনসু দোলাইথাবী বরাজগী কেনেলনা ঈশিং পীবা য়াগদবা মফমশিংদা হেন্দ পম্প নৎত্রগা পুখ্রি তৌবীয়ু। মসি মীয়ামগী তঙাইফদ্রবা অমনি। খুন্দ্রাকপম এ সীগী মীয়ামসু থবক পাঙথোক্নবা য়ুমদগী থোরকপদা এস ও পি ঙাকপা কাওবীগনু হায়না ফোঙদোরক্লি।

কোভিদকী চৈথেং মায়োক্নরিবা ইমুংশিংদা খুন্দ্রাকপম এ সীগী এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বরগী মীৎয়েং মখাদা কে কে দি সীনা চান-থক্নবা পোৎলমশিং তেংবাঙবগী শরুক অমা ওইনা কন্টেনমেন্ট জোনদা লৈরিবা ইমুং ৩২দসু ঙসি তেংবাঙখ্রে হায়রি।

ফ্লাইট ৯দা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী মীওই ৬৫৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী ৱাংমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদগী নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৬৫৮ রোম ঙসি ফ্লাইট ৯না ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

অয়ুক পুং ৯ তাবা মতমদা ইন্দিগো ৬ ঈ-২২৫১ ফ্লাইট অসিনা গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১২০ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ৯.১৫ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৭১৫২ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ১৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। অয়ুক পুং ১০.৪০ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ৬৩ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। অয়ুক পুং ১১.৪০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৩ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ৬৫ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

নুমীৎয়ুংবা মতুং ১২.২০ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া ৯ আই-৭৪১ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটা, গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরদা পল্লম্বা মীওই ১৮ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। নুংথিল পুং ১.১৭ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৭৯৪৮ ফ্লাইট অসিনা অসামগী দিব্রুগরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুরকখি। নুংথিল পুং ১.৪৬ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৯ ফ্লাইট অসিনা দেল্লী অমদি গুৱাহাতিদা পল্লম্বা মীওই ১৮২ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ২.২৫ রোম তাবদা এয়র ইন্দিয়া এ আই-৭১৪ ফ্লাইট অসিনা আইজোলদা পল্লম্বা মীওই ২৫ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি। নুংথিল পুং ২.৪০ রোম তাবদা ইন্দিগো ৬ ঈ-৬৩৫৮ ফ্লাইট অসিনা কোলকাটাদা পল্লম্বা মীওই ১৫৪ পুদুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলখি।

ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট ৯ অদুনা হনখিবদা মীওই ৮০৪ পুদুনা দিমাপুর, আইজোল, দিব্রুগর, গুৱাহাতি, কোলকাটা অমদি দেল্লীনচিংবদা চৎখি হায়রি।

এন মঙ্গিনা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইরগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈবাক্কী হৌখিবা জুলাই ১৩ দা পাঙথোকখিবা স্পেসল এগজিক্যুটিভ কাউন্সীলগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না নোংথোন্বম মঙ্গিবু লূপ অসিগী ইন টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা খল্লে হায়না মীতৈ মরুপ মীতৈ লৈবাক্কী সেক্রেটরি জেনরেল অঙোমচা সেরাম গোজেন্দ্রো মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, হান্নগী প্রসিদেন্ট ৱাই চিংখৈঙানবা লুৱাংনা লৈখিদবনা মরম ওইরগা লূপ অসিগী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সন পাঙথোক্ত্রিবা ফাওবা নোংথোন্বম মঙ্গি মীতৈনা ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা থৌ পুরগনি।

পুলিস পর্সনেলশিংদা চানবা খুদোল তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা অহিং-নুংথিল নাইদনা ফ্রন্টলাইনদা মথৌ তৌরিবশিংদা অঙম্বা মতেং পাংদুনা লাকপগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং অহিং ইম্ফাল অমদি থৌবালগী মফম কয়াদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনেলশিংদা থৌবাল বজারদা লৈবা ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ ক্যের সেন্টরনা চাক্লেন খুদোল তমখ্রে হায়রি।

ইতীন কম্প্যুটরাইজ আই টেষ্টিং এন্দ ক্যের সেন্টরগী মপু মাইবম ইতীননা হায়খিবদা, কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা খম থেংনা ৱানরবা মতম অসিদা ফ্রন্টলাইন ৱার্কর ওইনা মথৌ তৌরিবশিংবু ঈকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মহাক্কী মায়কৈদগী অঙম্বা চাক্লেন খরা খুদোল তমজবনি। থৌবাল বজার, হাওখা বাবু বজার, লিলোং বজার, শীংজমৈ বজার, শীংজমৈ ট্রাফিক পোইন্ট, খোয়াথোং ট্রাফিক পোইন্ট, য়াইস্কুল চেক পোইন্ট, বোকুল মখোঙ, রিমস রোদ, লম্লোং বজার, কৈশাম্পাৎ, হাপ্তা কাংজৈবুং, পেলেস কম্পাউন্দ, সিটি কনভেন্সন, সঞ্জেন্থোং, গভর্ণর রোদ, সঙাকফম, পাউনা বজার, ইমা কৈথেল অমদি এম জি এভেন্যু রোদনচিংবদা মথৌ তৌরম্বা পুলিস অমদি ট্রাফিক পর্সনেল ১৫০ রোমদা নুমীদাংগী চাক্লেনশিং অদু য়েন্থোক্লমখি হায়রি।

জিকা ভাইরসকী মরমদা

লৌশিং পুক্কে

খঙজিন্দুনা ভাইরস অসিদগী ঐখোয় ইশাবু ঙাকথোক্লসি

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অমদা জিকা ভাইরস শন্দোরকপা থেংনবগী পাউ ঐখোয় খুদিংমক্না তাখ্রে। মণিপুরদসু ভাইরস অসি শন্দোরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মরম অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না ভাইরস অসিগী মরমদা মমুৎ তানা খঙবগা লোয়ননা চেকশিন্না লৈবা য়াম্না তঙাইফদে।

জিকা ভাইরস হায়বসি কাঙনা শন্দোকপা ফ্লেভিভাইরস (ফ্লেভিভাইরিদি ফেমিলিগী মেম্বর অমা ওইবা ভাইরস)নি। ভাইরস অসি ইহান হানবা ওইনা কুমজা ১৯৪৭তা উগন্দাদা লৈবা য়োংশিংদা থেংনখি। অদুগা ইহান হান্না মীওইবদা শন্দোরকপনা কুমজা ১৯৫২দা উগন্দা অমসুং তাঞ্জানিয়াদা থেংনখি।

মালেম শিনবা থুংনা হায়বদি অফ্রিকা, অমেরিকা, এসিয়া অমদি পেসিফিক্লচিংবা মফমশিংদা ভাইরস অসি পাক শন্না শন্দোকপগী রেকোর্দ লৈখ্রে। ১৯৬০ অমসুং ১৯৮০গী মতমদা অফ্রিকা অমসুং এসিয়াদা য়াম্না অতাঙবা মখলগী স্পোরেদিক কেসশিং থেংনবগী রেকোর্দ লৈখি।

জিকা ভাইরসগী ইহান হানবা লাইচৎ অসি কুমজা ২০০৭তা য়াপ আইলেন্দদা রেকোর্দ তৌখি। অদুগা অনীশুবা অচৌবা লাইচৎনা কুমজা ২০১৩দা ফ্রেঞ্চ পোলিনেসিয়াদগী হৌরক্তুনা অতৈ লৈবাকশিংদা শন্দোকখি। হৌজিকফাওবদা ভাইরস অসিনা লৈবাক ৪৬ রোম শোকহনখ্রে।

জিকা ভাইরস অসি প্রাইমরি ওইনা কাঙনা চীকপদগী শন্দোকই। ইনফেক্ট তৌরবা এদেস হায়রিবা দেঙ্গি, চিকনগুনয়া অমদি য়েল্লো ফিভর শন্দোকপগীদমক মশক খঙনরবা কাঙ অসিনা ভাইরস অসিবুসু শন্দোকপা ঙমই। হায়রিবা কাঙ অসি মহৌশানা অয়ুক নুংথিলগী মতমদা, অয়ুক অঙনবদা অমদি নুমিদাংৱাইরমদা চীক্কল্লী।

জিকা ভাইরস অসি ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন তৌবদা, যূম্বান মরী থম্বদা, ওর্গান ট্রান্সপ্লান্ট তৌবদা অমদি মীরোল্লিঙৈদা মমাদগী পুক্লুংগী অঙাংদা শন্দোকপসু ঙমই।

অকক্লবা রিস্ক ফেক্টর খরনা মীওই অমবু ভাইরস অসিদা হেন্না ভলনরেবল ওইহনবা য়াই। ফেক্টরশিং অদুদি — ভাইরস অসিগী লাইচৎ শন্দোকখিবা কুইদ্রিবা মফম অমদা লৈবা; ভাইরস অসিগী লাইচৎ শন্দোকখিবা কুইদ্রিবা মফম অমদা চৎলুবা; মদুগুম্বা মফম অদুদা চৎলুবা মীওই অমগা অনপ্রোটেক্টেদ সেক্স তৌরুবা; করিগুম্বা কেস খরদদি ব্লদ ট্রান্সফ্যুজন তৌবদগীসু জিকা ভাইরস শন্দোকপা য়াই।

জিকা ভাইরসদা এক্সপোজ তৌরুবদগীনা লাইওংশিং উৎথোকপা হৌরকপফাওবগী ইনক্যুবেসন মতম অসি নুমিৎ হুম্নিদগী ১৪নি হায়না পানরি। ভাইরস অসিনা ইনফেক্ট তৌরবা মীওই কয়াদি লাইওংশিং উত্তবা নৎত্রগা লাইওং খজিক্তং উৎপা তৌই। কম্মন ওইবা লাইওং খরা হায়বা তারগদি — লাইহৌ; ফুরি থোকপা; কঞ্জংতিভাইটিস, মীৎ ঙাঙবা; কোক চীকপা; মসল অমদি তাং-তাং চীকপা-নাবা; চোকথবা; পুক নাবা; হকচাং নুংঙাইতবা ফাওবা অসিনচিংবনি।

লাইওংশিং অসি নুমিৎ কয়ানিদগীনা চয়োল অমা ফাওবা মায়োক্লবা য়াই। পেসেন্ট অয়াম্বা হোস্পিটালদা পুবগী মথৌ তাগন্দে অমদি শিবসু য়াম্না তাঙনা থোকই। মীওই অমা জিকা ভাইরসনা হেক নাখিবগা মতুংদা থেংনরক্কদবা ইনফেক্সনশিংদগী ঙাকথোক্লবা ইম্যুনিটি হকচাংনা দিভেলপ তৌরকই।

নোর্মেল পেসেন্টশিংদদি কা হেন্না অরুবা খুদোংচাদবশিং থোক্কন্দে, অদুমওইনমক, মীরোল্লিঙৈদা জিকা ভাইরস ইনফেক্সন তৌরগদি অঙাং অদুদা য়াম্না শাথিবা খুদোংথীবশিং থোকহনবা য়াই।

ইনফেক্সন অসিনা পুক্লুংগী অঙাং অদুবু মাইক্রোসেফলি অমসুং অতোপ্পা কোঞ্জাইনেটল এবনোর্মেলিটিশিং নাহনবা য়াই। মমা অদুদসু অতোপ্পা কমপ্লিকেসনশিং হায়বদি অঙাং কায়বা, অঙাং শিনা পোকপা অমদি থা শুদনা পোকপনচিংবা তৌহনবা য়াই।

জিকা ভাইরসনা মরুওইনা এদল্টশিং অমসুং খরা চাউরবা অঙাংশিংদা গিলান-বরে সিন্দ্রোম, ন্যুরোপেথি অমদি মাইলাইটিসসু তৌহনবা য়াই।

কাঙনা চীকপা হায়বসিনা ভাইরস অসি শন্দোকপগী খ্বাইদগী কম্মন ওইবা লম্বী অমা ওইবা মরম্না কাঙনা চীকহন্দনবা হোৎনবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা চেকশিন থৌরাং অমনি। মীরোনবী নুপীশিং, রিপ্রদক্তিভ এজ (অঙাং পোকপগী য়ারিবা চহী মতাং)গী নুপীশিং অমদি অপীকপা অঙাংশিংদা অখন্নবা চেকশিন মীৎয়েং থমগদবনি।

কাঙনা চীক্তনবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি কাঙনা চীকপা ঙম্লোইদবা ফিরোল শেৎপা, কাঞ্জল খনবা, থোংনাউদা কাঙ চঙদনবা স্ক্রিন খনবা, মোস্কিতো রিপেল্লেন্টশিং খুদম ওইনা য়ুমগী অকোয়বদা কাঙ হীদাক কাপথোকপা, হকচাংদা রিপেল্লেন্ট ক্রিম তৈবা (মীরোনবী নুপীশিং অমদি অপীকপা অঙাংশিংদি অসিগুম্বা ক্রিমশিং অসি শীজিন্নরোইদবনি), মখুম খুমদবা ঈশিং লৈহন্দবা (মখুম খুমদনা তুংবা ঈশিংদা কাঙ মরুম কোকই), লৈঙাক্না লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংশিংদা মতেং পাংশিনবা, যূম্বান মরী থম্বদা প্রোটেক্সন শীজিন্নবা অসিনচিংবা পনবা য়াই।

জিকা ভাইরস দাইগ্নোসিস তৌবগী প্রোসেস অসি কোভিদকা মান্নবা মওংদা মীওই অদুনা লম চখোক্লুবগী হিষ্টরি, সিম্পটমশিং লৈবা অমদি টেষ্ট রিজল্টনচিংবা চেক তৌই। জিকা ভাইরস অসি ঈ অমদি হক্কী ঈশিংদা টেষ্ট তৌরগা খঙবা ঙমই।

জিকা ভাইরসকী অকক্লবা লায়েং নৎত্রগা ভেক্সিন লৈতে। নারগদি পোত্থাবা, মহী-মনায় থকপগী চাং হেনগৎপা অমদি পেইনকিল্লর শীজিন্নবচিংবা তৌদুনা সিম্পটমশিং মেনেজ তৌবা য়াই। জিকা ভাইরস শন্দোক্লিবা মফমদা চৎলুবা মীওইশিং লৈরগদি দোক্তরদা তানবা মথৌ তাগনি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাম্লি

মীয়াম্না ভেক্সিন কাপথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবগী মহুৎতা লোৎতুনা লৈরিবসি করিগীনো?

কোভিদ-১৯বু লাকশিন্নবা মণিপুর লৈঙাক অমসুং হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মরু ওইবা মীওইশিংনা মায়থিবা পীনবা অকনবা মখল কয়াগী লেপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লি। কোভিদ-১৯বু লাকশিন্নবগীদমক য়ূমথোঙ-য়ূমথোঙ খূদিংদা টেষ্ট তৌবা অমসুং লৈকায়গী ক্লবশিংদসু হীদাক কাপথোক্লি। অসিগুম্বা থৌরম অসিদা থোক্লক্তনা লোত্তুনা লৈরিবসি করিগীনো হায়বসি অচৌবা ৱাহং অমনি। অসুক কন্না মরী লৈনবা মীওই কয়ানা তুম্বা-চাবা খঙদনা হোৎনবীরিবসি ঐখোয় মীয়ামগীদমক্তনি। নুমিৎ খূদিংগী টি ভি, রেদিও অমদি পাউচেদা লেপ্তুনা লাউরিবা অমসুং ইরিবশিং অসি করিদা কান্নরিবগে ? পাউচে পাবীয়ু, টি ভি য়েংবীয়ু অমদি রেদিও তাবীয়ু। হৌজিক কোভিদ-১৯দগী হেন্না শাথিবা অনৌবা দেল্টা ভেরিএন্ট অমসু কন্না শন্দোরক্লি। হান্না ওইরম্বদগী কোভিদনা নাবগী চাং অমসুং শিবগী মশীংসু নোংমা-নোংমগী হেনগৎলক্লিবনি। মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা মতম মতমগী চৎন-কাঙলোনশিং লাউথোক্লিবসি পুম্নমক্কী কান্ননবগীদমক্তনি। চৎন-কাঙলোনশিং অসিবু ঐখোয়না ইন্দুনা চৎপা ঙমদ্রিবা অসি করিগীনো ? পুলিসকী গাড়ীবু হেন্দোকখ্রবদি লম্বীদা পোৎ য়োনবা অমসুং দুকান থোঙ হাংবসিবু করিদা ফরিবগে ? অচৌবা সিটি দেল্লীদনা শিবগী চাং অমসুং পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থখ্রে, অদুগা মণিপুরদনা হন্থবগী মহুৎ করিগীদমক হেনগৎলক্লিবনো হায়বসি খন্থমিন্নসি।

❒ ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লাংজিং অচৌবা

কোভিদকী সেকেন্দ ৱেভ হৌজিক ফাওবা হন্থরক্ত্রিবা অসি ঐখোয় পূন্নমক্না খন্থমিন্নবা চঙলি

ইরমদম মণিপুর অসিদা অশোয়বা অমদি লৈরব্রা হায়বগী চাওনা চিংনবা অমা ফাওরক্লে। লৈঙাক অসিনা মখল কয়াগী স্কিম অমদি প্লান্নিং কয়া পায়খৎতুনা লায়না অসিবু থিংনবা থবক থৌরম কয়া অসিবু অরেম্বদা তারব্রা হায়বগী ৱাখল্লোনসু ফাওহল্লে। নোংমগী শিবা অমদি নাবগী চাংসু অদুম্মক ৱাংখৎলক্লি। ভেক্সিন কাপ্পগী থবকসু অদুমক লেপত্রি। অদুবু শিবা-নাবগী চাংদি হন্থবা হায়বা লৈত্রি। য়ূমলোন্নবা ষ্টেট নাগালেন্দগী দিমাপুর মার্কেট নুংতিগী নুংথিল পূং ৪ ফাওবা হাংলি। অদুবু পোজিটিভ ওইবা অমদি শিবগী মশিং য়াম্না নেম্না লৈ। ইরমদম মণিপুর অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না লৈঙাক্না পায়খৎলিবা থৌরাংশিং অসিবু থৌশাদবা নৎত্রগনা থাজবা ৱাৎলব্রা হায়বগী ৱাহং অমসু চাওনা থোরক্লিনৎত্রগনা লায়রবা মশিংনা য়াম্মনখিদুনা নোংমগী চারা তান্নবা হোৎনবদা লায়না অসিনা শিনি নৎত্রগা নানি হায়বগী চিংনবা লৈত্রবরা ? ইরমদম মণিপুর অসিগী পোপ্যুলেসন অসি ইন্দিয়াগী কোনুং দেল্লীগা য়েংনরুবদা চাদা ১২ ফাওবা য়ৌদ্রিবনি। হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা অদুমক লৈখিবা তারবদি ইরমদম মণিপুর অসি অথুবা মতমদা তূম্না মুৎখিবা য়াই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লোয়ননা নোংমদি শোয়দনা ঐখোয়গীসু নম্বর য়াওরক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। অমরোমদনা অয়ূক খূদিং ইম্ফালগী মফম খরদা এঞ্জাং-নাপী য়োনবা অমদি লৈবা লাকপা মীওইশিংনা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লা চৎপা উদে। মরম অদুনা ইরমদম অসিদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা অথুবা মতমদা অকনবা এক্সন অমগা লোয়ননা মোবাইল স্পোট আর এ টি টেষ্ট দ্রাইভ কৈথেলশিংদা তৌহন্নিংই।

❒ সন্ধ্যারাণি অবুজম, হৈরোক কবোম লৈকায়

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নৎত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১৫।০৭।২০২১ ইং, শগোলশেল; অয়ুক পুং ৭.১৭ ফাওবা ইঙেনগী ৫নি পাল্লি, মতুংদি ৬ নি পাল্লনি।

মেষ: থেংলপ্পা নীংবা থুংবা, মরুপ-মপাংদগী মতেং ফংবা অমদি পাইরক্কী লৌশিং চাওবনা মীনা লাকচবসু ঙমলোইদবা নুমীৎনি। লনসু ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

বৃষ: থৌনা ফুদোকপা য়াবা, অকল অথৌগী থবক অমদি ইমুং-মনুং ৱাতান্নরগা পাঙবা থবকশিং লেম্নমক মায় পাক্কনি। হন্থবা লোয়নরদি লন মাঙগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ৱা য়াম্না ঙাংগনু ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস।

মিথুন: পুং ১০ ফাওবা নীংবা থুংবা অমদি নচাক নরল চাওখৎকন্দবা অফবা খোঙশাল লৈ-মতম মাঙহনগনু। অচুম্বনা অঙম্বু লাকশিনবা ঙমগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- য়েৎনবনা মাঙজগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট: থেংলপ্পা মায় পাক্কনি অমদি খল্লুদবা কান্নবা খরসূ ফংগনি। অদুবু মরুপ খনবা হৈত্রবা অমদি অঙম্বনা য়ানবা চৎত্রবদি থৌপাঙবা ঙমলোই।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ।

সিংহ: অঙনবদা হরাওবা নুংঙাইবা, মীচং খোম্বা য়াবা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনবা লাইবক ফবা লৈগনি। খোইরাংবনা মাঙজবদি লৈগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপ থাজবা লুই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

কন্যা: ৱাখল থোকলমদবা থোক্লগনি, পল্লম্বা শেল-থুমনচিংবা ফংবা য়ারে। ঙাংবা অমদি শীন্দোকপা হৈরি-মতিক থৌ পাঙগনি। য়েৎনবদি য়াওরুনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পুকচেল তিংথোকউ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

তুলা: অয়ুক্তনা হেন্না মায় পাক্কদবা খোঙশাল লৈ-মতম ঙাইগনু। নঙগী ওইবা মীশিং অমদি লান্দবনা নুংঙাইজবা ফংগনি। মীনা ইনশিনবদি লৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- লানদা লানগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক: থবক পাঙগনি, নীংবদুমক পাঙবা ঙমগনি অমদি মীয়াম্না থাগৎপিবা নুমীৎনি। অদুবু মহু চাওবনা তাথিবা অমদি নোল্লুক্না চৎত্রদি মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী ফগনি ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

ধনু: ৱা ঙাংবা অমদি শীল-লাংবা হৈবা ৱাৎলি-অখং অহে তান্নৌ। নচা ননাইগী লমদা পেন্দবা লৈ অমদি ফিংগনু। মীপারম্বদি কোকচগনি, লন চংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফরনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ/চিনি অঙাংবা।

মকর: হোয়া ফবনা মাঙজবা অমদি নথক থোংবগা মরী ফত্তবা য়াই। লাই-গুরুগী ৱা তারদি য়েক্লববু ঙমগনি অমদি ফমথোল ফংবগুম নুংঙাইজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- ঙাং-শকপদি তাবিগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কুম্ভ: পুং ১০ ফাওবদা খোঙশালহৌবা য়াম্না চাওনা মায় পাক্কনি। ৱানোম থৌনোম খরদি কান্নরনি অমদি মরুপ খনবা হৈরদি নুংঙাইজবা ফংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরী হান্নগুম ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন: নীংবদুমক পাঙবা ঙমগনি-অফবা থবক থিন্থদনা পাংহৌবা ফগনি। মীয়াম্নসু থাগৎপীগনি। য়েক্লবসু নতুংদা কোয়ইন ইন্নে-নোল্লুক্না চৎলু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংই।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।